# পাঙন্দেম জগোয় অমদি ইয়োংলৈগী শৈথা

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

পন্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাং
চরৈ য়োংখম মাঙদ থা
শন্নাং কোয়কক্লরিবী নুজা
য়েৎনা হুন ওইনা ওক
ওইনা হুন য়েৎনা ওক
পাঙন্দেম জগোয় শারিএ
চরৈ ফিজিন ফেল্লিয়ে।

হেকতাবদা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়বু খুদুম চনশিনবা ঙম্বা মমিং লৈরবা শৈশকপা অরিবম তোম্বীস্না শর্মগী ইনৌতা নৌদুনা লৈরগদবা ঈশৈনি। ঈশৈসিনা ৱারী লীরি, মপাউ তন্নি মতম অমগী ৱারী। মীত্তা শংশংনা উহল্লি য়ূম-য়ূম খুদিংমক্তা লৈরম্বা ইয়োং নৎত্রগা য়োংখম। নুপী অমা ওইরবদি হৈতবা য়াদবা শিনফম অমা ওইরম্বনি। ফিশাকোন থোক্লক্ত্রিঙৈ মতমগী ৱানি। ইশামকসু ইয়োংফি শাবা হৈরম্মী। ইমাদগী তম্বনি। য়াম্না কুইরবা মতমগী ৱারীনি। চহী নিফুমুক হেল্লম্লগনি থাদোকখিবা। খল্লুবদা থৱায় নুংঙাইতে, ইমাদগী তমজবা ইহৈদো ঐনা ইচাশিংদদি পীবা ঙমদ্রেকো। অওনবা মতমগী খোঙলৈ হায়বসিসু থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। চহী হুম্ফু হায়বদু নকশিল্লকপগীরা খঙদে, মতম অমগী থৌশু থৌচৎ, শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং, চৎনলোনচৎশিংদু পঙনুংদা নুংশিরকই। মতমদু অমুক হল্লকউ হায়বা য়ারবদিকো খল্লকপা মীৎকুপসু য়াওরকই। মথোঙ চাখিদ্রপোৎনি, করিগুম্বদা খল্লকই, হৌজিক হৌজিক ঐনা হিংলিবা মওং অসিনা মঙ ওইরবা অদুগা মীৎকপ থোক্লককপদা নহালৱাই, লংচাক চাক্তুনা ফি শাদুনা, লাইরিকসু নোংমদা পুং অনীমুক্তা পারগা ৱাখলকাসি য়াম্না নীংতম্না লৈবদু ওইজরবদিকো হায়না। খঞ্জরুবগী ৱানি অহোংবা হায়বসি লৈতবদি য়াদে। হোংবা য়ারোই হায়রবদি মীনা কৈনোমা ওইনা খনখিবা তাবনি। তৌবতবু মতম অমদা শীজিন্নরম্বা পোৎলম, চৎনরম্বা লোনচৎ কয়া অদু মাঙহন্দবা হায়বসি মতম মতমগী হিংলিবা মীরোলশিং অদুগী মথৌনি। মসিনা লৈবাক খুন্নাই, ফুরুপ অমগী পুৱারী অমুক হন্না শেমগৎতুনা ইথোকপা মতমদা কান্নরবা মচাক কয়া ফংহনবা ঙম্মী।

ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনি হায়বখক্কী ৱা নত্তে, মখোয়গী মীৎয়েং য়াম্না শাল্লি, ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়গী মতমগী পোৎ খুদিংমক মাঙহন্দনবা হোৎনরম্মী। তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা হোৎনরম্মী। চীন্থাঙ য়ৈনা মথং মথং লান্দুনা শক্লরকপা ঈশৈ ওইনা, চীংনবুং ৱারী ওইনা, অইবা খূৎই ওইনা মরাং কায়না থম্বীরম্মী। মখোয়না থম্বীরমদ্রগবু কদাইদগীনো ঐখোয়না থিরুগদবা। সনা, লুপা, মণিমুক্তানা চীং পৈবগুম্না পৈরবসু হায়রিবশিংসে ফংবা ঙম্লম্লোই। কয়াদা মমল য়ামখ্রবা! মখোয়না শৈথাবীরম্বা শৈরোল অমদি ৱারী শিংবুনশিং অদু ঙসিগী মীরোলশিংগী মরক্তগী মুৎখিদনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা কয়াগী মনুংদা মণিপুরদা ফংলিবা লৈ মখল ময়াম অসিগা খুন্নাই অসিগা লৈনরম্বা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অদু ফোঙদোক্তুনা



শেম্বীরম্বা শৈথারোলশিংসু শিংথাবা য়াই।

মতম অমদা নুপী ওইবীশিংনা পুংকক চাউরকপা মতমদগী হৌনা ইয়োংফি শাদুনা ইমুং মনুংগী শেম্মীৎলোন্দা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বগী খুদম তাকপা 'শৈথারোল' অমদি 'লৈরোন' কৌবা লাইরিক্তা য়াওরিবা 'ইয়োংলৈ' হায়না মিংথোনবসিনি। লৈশাবী ওইবীশিংনা য়োংখমদা ফি শারিঙৈদা মা মাগী নুংশিনজবা পাখংশিং অদুনা ফজ-ফজরবা লৈরাং কয়া হেক্লগা পুরকপা, মদুবু খুদোল তমজরগা নুংশি লীপুন চেৎশিনহনবগী ফজরবা ৱারীনি। হৌজিক্কী মতমগী রেষ্টুরেন্টকী অমম্বা কাদা থোকপা তাবদা হঙ্গোইবা ৱারী নত্তে। চীংদা মান্দা নুপা অমা ওইবগী মশিঞ্জাং মথৌ পাঙথোক্লুরগা, নুমিদাংগী মতমদা, নিংঙোলগী ইয়োংথক্তা খোয়দাজনা হেক্লকখিবা লৈরাংদু থল্লম্বগী ৱারীনি। মহাক লাক্লম্মী হায়বগী খুদমনি, পাখংগী অশেংবা থম্মোয়গী নুংশি পাউদমনি। পাঙন্দেম জগোয় শারিঙৈদা লৈরাং মানা নুজাগী নাপ্পদা ঙানবদু ওন্থোক্লা নীংথিজরমগনি। মখোয়গী রেষ্টুরেন্টকী চৌ, মোমো চামিন্নবগী ৱারীদুদি ঈরাংগী মোংফমদা তুজগে থৌরাংজবনি। লৈবাক ৱাথোকসু ওইহনবা ইয়োংলৈগী ৱারীদি মণিপুরী নাটকী, থৌশু থৌচৎকী ফজরবা ৱারীনি। খোরিরোলগী মগুণ হাপ্লিবা নুংওল্লবা শৈথারোন্নি। কয়াদা থাগৎনীংঙাইনো, ইয়োং অমা নুজা অমা। চম্না চঙখোনবী, খুন্নাইগী লোনচৎ কায়দনা চৎপী নুজা মাগী নাপ্পদা ঙানবী ইয়োংলৈনা লমদমসিগী নুপীশিংবু কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎপীরম্বা।

ইয়োংলৈ হায়না মিংথোনবা লৈ অসি লৈনুং মহারাবগী কোয়থোকফম ওইরিবা ৱাইখোংগী মহামনুং চীঙ্গোন্দা হৌবা তরুং পাম্বীগী উশাদা ফূগাইনা শাৎপা লৈনি। নোংমা তরাউ পাখং খরা থাঙ অমমম লেংবান্দা হাপকৎলগা হায়রিবা চীঙ্গোন অসিদা শীং য়ানবা চৎলম্মী। নুংথিলগী নুংশাদা নুমিৎ চূপ্পা য়ানবা য়াবা উ থিবা অমদি য়ানবদা হুমাং শৌবা অমদি ৱারবা হকচাংদু ঙাইহাক্তুং পোথানবগীদমক চীংগী ঈশিংখোংদা ইরুজবা অমদি ঈশিং থকপনচিংবা তৌদুনা অৱা পোথারম্মী। মতম অদুদা তরুং পাম্বীগী উশাদা ফজবা লৈরাং অমা শাৎপা উরুবদা তরাউ পাখং অমদি হেক্লিংবনা উ অদুদা কাদুনা হেক্লম্মী। মানা হেক্লিবা লৈ অদু মাগী নুংশিনজবী নুপী তরাউ নিংথৌগী মচানুপী থৱান নুংদ্রেনখোম্বীদা খুদোল তল্লুরগে খনবদগী ময়ূমদা হল্লসি হায়না মাগী মরুপশিংদা তকশিনখি। ময়ূমদা হল্লক্লবা তুংদা নুমিদাং ওইরক্লকান্দা ঙসাই মানা হেক্লকখিবা লৈ অদু পুরদুনা নুংদ্রেনখোম্বীগী মনাক্তা খুদোল তল্লুনবগীদমক চৎখি। অদুবু মানা থুংলুবা মতমদদি নুংদ্রেনখোম্বীদি তূমখিরম্লে। লৈরাং অদুবু খুদোল তমজগে খঞ্জরিবা মীশক অদু তূমখ্রবদা ফিশাশঙদা খিল্লিবা ফি শানবা ইয়োং শংদিং মথক্তা থল্লম্মী। নোংঙাল্লকপদা নুংদ্রেনখোম্বীনা য়াহৌরকপদা ইয়োং শংদিং মথক্তা লৈনানা ফি শানবা তেম মানবা, লুপা মচুগুম ঙৌরবা, লৈরাংগী লৈয়োন্দা সনা মচুগী কজেংলৈ মানবা লৈরিক য়াওবা লৈরাংদু উবদা পূক্লিং শুমহৎলম্মী। ইয়োং শংদিং মথক্তা লৈরম্মী হায়দুনা ইয়োংলৈ থোনখিবা শৈথারোলদি,

*শিংঙেন নাওৱা মখোইরেন*
*লৈরাংগী কোলোই মমিংথোন*
*লোইদাম নৱা লৈনুংশি।*
*মোমনুগী ইয়োংথক্তা*
*থম্বীরম্মী হায়দুনা*
*ইয়োং শংদিং মীংথাং লৌদুনা*
*নাওৱা ইয়োংলৈ হায়না কোলোইখি। (লমায়, ৪১)*

মতৌ অসুম্না মণিপুরদা মমাঙঙৈগী মতমদা ফংলম্বা লৈ মখল কয়াবু লৈশি লৈথোন্দুনা শেল্লম্বা শৈশক শৈথারোলশিংগী মনুংদা ইয়োংলৈসু য়াম্না মরুওইবা লৈশক লৈচু চঙখোনবী লৈ মখল অমনি। ইয়োংলৈগী মরমদা শেল্লম্বা শৈথারোল অসিনা মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা শৈশক অমা ওইরিবা খুনুং ঈশৈবু তুংগী মীরোলশিংদা মশক তাকপদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অরিবা চহীনা অনৌবা চহীবু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*অনৌবা* চহীনা লাকপদা য়াইফ পাউজেলগা লোয়ননা অঙম অথৌশিংনা মীচম মীয়ামদা পীবদা থাগৎলোইদবগী মরম লৈররোই। মীয়ামগী মীহুৎ হুম্ফুগী মনুংদা য়াইফ পাউজেল পীরিবসি মশীং কয়ানো? পংয়াম য়ামগদবা মান্দ্রবনি। মসিদি মীহুৎনি হায়দুনা ৱাখল মান্নবদি ওইদ্রবনি। মুন্না খল্লবদি মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবদা মথেল অমা ওইনা ফজবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অদুবু মীহুৎ খুদিংমক্কী ওইনদি থোক্ত্রে।

মমাঙ চহীদা অরানবা থবক তৌদুনা মীনম-শোরিনা শেল লৌবগী উবা ঙমদবা থৌরম অসিমা অনৌবা চহীনা লাকপদা ওইদ-পাদবা লাইনসু য়াররোইদবা, মীনসু কৈদৌনুংদা য়াররোইদবা থবক থৌরমসিমদি অনৌবা চহীনা লাকপসিদদি নমদনা থাদোক্লগদবনি খন্দুনা অফবা অচুম্বা ওইনবা হোৎনরসি।

মীওইবা অমনা তৌগে অমসুং তৌররোই খল্লবা মদুদা ঙমদবা লৈতবনি। চুরুট, বিড়ি ফনা নিংথিজনা থাদোকপা ঙমগনি থাজরমদবা অদুগুম্বা নুপা-নুপীশিং অদু মখোয়গী অনীংবগা লোয়ননা থাদোকখিবা য়াওদবা নত্তে। তাইবঙ মীওইবনা তৌগে নীংবদা ঙমদবা হায়বসি লৈরবসু লৈতবগা মান্নরবনি হায়বদা হায়মনবা হায়বা অদুমা ওইররোই অফবগা ফত্তবগা অনীসি তুং কোয়না চৎকদবা করম্বনো ঐখোয় মশেল হংনবদা অপঙবসু অশিঙবসু শোয়দনা হায়নগদবদি অফবনা ওইগদবনি মসিমা শোয়দনা হায়রগদবনি।

য়েংবদদি অচুম্বা ওইরবোই নীংবা, তৌরিবা থবক্তুনা মীনম শোরিবা অদুগুম্বা থৌদোকসু য়াওরিবনি। ঙা অতেকপা য়োনবী কয়ানা হন্দক্কী চহী হৌবদা মখল কয়াগী ঙা মমল হেন্না য়োনবা মসিগা লোয়ননা অরূম্বা ফাদনা লৈরিবা-লৈরিবী মখোয়না থাজনা লৈখিবা নুমিৎ অদুদা ঙা মখল শুনা য়োনবা মহাক্তগী মনাক্তা ফমদুনা পূক্লিং চঙনা য়েংবদা তশেং তশেংনা অচুম্বা হায়বদুদি ওইদ্রবনি। অদুবু চুমই অমসুং চুমদে হায়দুনা কনাদা অরানবা শিদৌরি। য়েংবদা ওদ ওইরবা নুপী ওইবীশিংগী ফিজেৎ চাকচা, য়েংনীংদবা কনাগুম্বগী মফমদদি মতিল শিৎপা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। তুংয়ানগী শরুক্তা থাদোকপা য়াবা মখৈ থাদোক্তুনা মমাঙ থংবা শরুক্তমক ফিজেৎ লৈতেংবা, তুংয়ানগী শরুক্তুনা করিগী থাদোক্তুনা হকচাংগী উনশাগী শরুক উহল্লিবা। মসিনা করম্বা মওংগী চৎনবীনো? মসিদা য়াম্না ফজরে, নিংথিরে হায়না শুমাং কুম্মৈগী নুপী শাবীশিংসিনা খরখিৎ হেন্না ফজরবনি হায়না ফিজেৎ লৈতেংলকপদা মদুবু পামজবা তশেং তশেংলবা নুপী ওইবী কয়া অমনা মতুং ইল্লকপা, নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ, ফিজেৎ চাকচাদা অসুক্কী মতিক চেকশিঞ্জবা কনাগুম্বীশিংগী মফমদদি থাঙ্গৈমক শেংনা মিৎ নাবা হায়বা অদুম ওইরবনি। মীৎ নাবগী ৱাসিদি নুপাদসু য়াওদবা নত্তে। মসিমা মমাঙগী চহীদা তৌরম্লবসু অনৌবা চহীনা লাকপদদি তুংয়ানগী ফীভমসু নিংথিহনবা, মসিসু হৈনবী ওইহল্লসি।

নুপা-নুপীনা ক্বা জর্দা, খৈনি, তলপ চারম্বা তারবসু চঙ তাবা চহীসিনা লাকপদা থাদোক্লুবা হোৎনবীরো। মসিনা লেমহৌরিবা পুন্সিদু মকা লাম্না নুংঙাই য়াইফনা অফবা লম্বীদা হিংবা শোয়দনা ওইরনি। মতম অমগী ঐখোয়বু পোকপীরম্বা ইমাখোয়গী মতমদা চৎনরম্বা কয়া মাঙখ্রবসু থিজিন্দুনা লৌবা য়াবা লৌশিল্লগা মতৌ তম্নরকপদা মসিবু ফত্তেদা করম হায়গনি। নুপীনা, ঐখোয়দি নুপাগা খেন্নবা লৈত্রবনি খন্দুনা নুপাবু থওই উশিত্তনা লৌরক্লবদি মসিনা মরম ওইরগা অফবগী লম্বীদি চৎত্রদুনা ওন্না তৈনবা লম্বীদা শোয়দনা চৎখিগদৌরিবনি। মসিনা নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ মাঙনীংঙাই ওইরক্কদৌরিবনি। নুপাগা নুপীগা নুংশিনবগী চাং নোংমা নোংমগী মশীং থিঙমদনা হেল্লক্লিবা মসিদংগা অনৌবা চহীনা লাকপগা লোয়ননা নুপী ওইবীশিংনা তগোম তগোম হিংবগী থাজবা চেকশিনবা ৱাৎলবা অশোয়বনা মশীং হেল্লক্কদৌরিবনি। অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা অনৌবা চহী লাকপসিদদি অফবদা তৌরগে খনবসিনা লেমহৌরিবা পুন্সি অদু শোয়দনা অফবা ওইনবগীদমক মপূ মঙোন্দা থৌনিরসি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাই ৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## মাঙশিল্লক্লবা লৌবুকশিংনা তেংথারি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*কুমজা ২০০১গী* পাউচে অমদা অহানবা ওইনা তোল্লবনা থৌবালদগী ইম্ফাল তম্না হাইগৎলকপদা ইম্ফাল ফাওবা লাক্লিবা লম্বী অদুদগী বসকী থোঙনাওদগী য়েংলকপদা মীওইবগী হিংননবগী থৱায় ওইরিবা লৌবুকশিংবু অসুম অসুম মাঙশিল্লকপগী ফীভম উখি। লৌবুক কয়াদা স্কুল, কোলেজ, শো মিল, মদুতা নত্তনা লৈঙাক্কী ওফিস কয়াসু শাগৎনবা হোৎনরকপদা নত্তনা য়ূম-কৈ কয়া শাগৎনরকপা থেংনরকখি। ফীম অদুদা ঐগী থম্মোয়দা লৌবুকশিংবু কন্ননবা ইনিংবদগী 'মাঙশিল্লক্লবা লৌবুকশিংনা তেংথারি' হায়বসিদা ইজবা হৌরকখি। মথং মথং ঐনা ইমাগী মপাম ময়ায় লম্বী অমদি বিষ্ণুপুরগী লম্বীদা মরী লৈনবা থবক্কী চৎপদা ফীভম অসি অদুমক লোইনা মান্নরম্মী। পাকথোক্লুবা উপাই লৈত্রবা লৌবুকশিংনা অসুম অসুম পিকশিল্লক, মীশিংনা নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাউগুম্না হেনগৎলকপা ফীভম অসিদা মীওইবগী হিংনবগীদমক্তা মীপাইবা ফাওরকখি ঐগী থম্মোয়দা। মতমদুদা লৈঙাক্লসু লৌবুকশিং অসি মাঙহন্দনবা থবক পায়খৎপসু উদ্রে, হৌজিক হৌজিক্কী চাননবা চেঙ কোন্নদদুনা মপান্দগী চেঙ লৈরিবনি। অদুগা হৌজিক লৈরিবা লৌবুকশিং অদুদসু অনীরক লোক্লবা থৌরাংসু লৈতে। মণিপুরগী মরু ওইবা লম্বী কয়াদা চৎতুনা য়েংজরুবদা লৌবুকশিং অসি লৌরোক পান্থা লোইখ্রবদা পুমহাং হাংনা অদুমক লৈরকখি। লৌবুক্লা অসুম পীকশিল্লক, অনীরক লোক্লবা উপাইসু লৈজদ্রবা অদুগা চাননবা চিঞ্জাকশিংগীদমক্তা লৌবুক লৈমনা তেংথাবগী খোঞ্জেল ঐগী নাপদা তোইনা তারকখি। তঙাইফদবা খরগী নত্তনা লৌবুক লৈমবু কনবীনবা ৱাকৎচরি।

কুমজা ২০০৪গী জুন থাদসু মণিপুরগী পাউচে অমদা 'মাঙশিল্লক্লবা লৌবুকশিং' হায়দুনা চিঠি ওইনা অমুক ইজখ্রে। মতম অদুদা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা অহানবা এম আরগী পেরদ গ্রাউন্দদা লৌবুক কয়ানা মাঙদুনা লৈরিবা মতৌ অদুদা পেন্দ্রদুনা লৌউ-শিংউবা য়াবা মফম কয়া লৈরিবসি মখা তানা মাঙহন্দনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এগ্রিকলচর লেন্দ য়ুজ এক্ট শেম্মনবা থৌরাং তৌরে অমদি এক্ট অসি শেমদুনা চলাইবা ঙম্নবগীদমক এগ্রিকলচর লেন্দ য়ুজ বোর্দ অমা শেম্নগনি হায়না পনখ্রে। মতম অদুদা ঐগী থম্মোয়দা তুংগী আশা অমগীদমক্তা লৌবুকশিং কল্লক্লগনি খন্না নুংঙাইজখি। মদুগী মতুং খরা লৈরগা কোংগ্রেস ভবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা পেদি লেন্দ কঞ্জার্ভেসন এক্ট চৎনহন্নবা থৌরাং লৈরে হায়না মখৌ পোংনা লাউথোকপসু তাখ্রে। অদুমক্লা চহী কয়া অদুদা পেদি লেন্দ প্রোটেক্সন এক্ট পাস তৌবদি লৈখিদ্রে। মতমগী মতুং ইন্না/চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না লৌবুক কয়াদা লৈঙাক্কী অমদি মীয়ামগী কান্ননবা লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসন পীদুনা লৌ উবনা লমশিং, ওফিস অমদি এয়র ফিল্ডনচিংবা চাউথোকপগী মথৌ তারকপনা লৌফম শীজিন্ননবা হোৎনরক্লবদা পেদি লেন্দ সেফ তৌনবা মীয়ামগী খোল্লাউ কয়া লাউবা হৌনরকখি। অদুবু অদুম ওইনমক মায়কৈ কয়াদগী লেন্দ সেফ তৌনবা লাউনা লাউনা লৈঙাক্কী চাওখৎ থৌরাং মথৌ তারকপনা লৌবুক কন্নবা এক্টতি পাস তৌবা ঙমদনা মতম শাংনা লৈরকখি। মতম অদুদা পাউচে কয়াদা তোল্লবনা মীয়ামগী খনবিদুনা পেদি লেন্দ প্রোটেক্সন এক্ট পাস তৌবিনবা কয়ারক ইজখি।

দিসেম্বর ৩০, ২০১৮গী পাউচে অসিগী হেদ লাইন্দা মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট চৎনহনবা ঙমদ্রে হায়না ফোটোগা কোন্ননা ফোঙলকপা উরুবদগী অনৌবা লৈঙাক অসিনসু মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদি লেন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ চৎনহনবা হৌখ্রবসু মহৌশাগুম লৌবুক্কী অমাঙবদি হেঙ্গৎলক্লি। কুমজা ২০০১দগী ইজরকপা/ৱাকৎলকপা তোল্লবগী খোঙথাং অদুদা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা প্রোটেক্সন তৌরনি-তৌরনি হায়দুনা তৌখ্রবা অমদি তৌহৌদ্রবসু অনৌবা লৈঙাক অসিনসু অকনবা ইনফ্লুএন্স পীরবসিদসু মণিপুরগী লৌ উজরিবা লৌফমশিংদি কনবা ঙমদ্রবদৌনা মাঙবা হেঞ্জিল্লক্লি। মসিনা শোয়দনা ইশাগী ফৌথোক্লা চাজরম্বদগী মীশিংনা অসুম হেনগৎলকপনা মণিপুরগী লৌবুক্কী পোৎথোক্লা চাবা কোন্নদ্রবনিনা মপান্দগী অসুম পুশিল্লকপা তাবনি। করিসু লৈত্রবা তোল্লবা মীচম অমনা কুমজা ২০০১দগী লৌবুকশিংগীদমক্তা কয়ারক তেংথাদুনা ইজরকপদু ঙসিদি চহী ১৮ লোম শুখ্রে। মসিদা মরী লৈনবা লৈঙাকনা তাবিরম্লবদি ঙসি ঙসিমক ওইরিক্লবা ফীভম অসি থোরক্লম্লোই খঞ্জে। মীচম অমনা তুংদা ওইরক্কদবা লৌবুকশিং কন্নীংবগী আশাদা চহী ১১/১২, ১৪/১৫ ফাওবা ইবদা নত্তনা মীওই কয়াগী ঈহৌ অমদি খোল্লাউ কয়া লাক্তুনা লৌবুক কন্নবা চহী কয়া অসিদা ইজরকখিবনি। অদুবু কুমজা ২০১৪দা এক্ট ওল্লবসু হান্না হান্নগুম লৈরিবসিনদি হৌজিক লৌ উফম পাকথোকপসু য়াদবনিনা মণিপুরদা পোখোক ৱাৎপা তারক্লিবনি। মরম অসিনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর মীয়ামগী য়েংবীদুনা লৌবুকশিং অসি করম্বা মওংদা কন্ননবা মখা তানা য়েংশিনবীরগা লৈজরিবা খরসিদা কেনেল, দাম, দ্রেন কয়া শাবিদুনা চহী অমদা অমুকখক্তুং ফৌ লোকপগী মহুত্তা অতোপ্পা থা তরুক অমদসু হাংলবা লৌবুকশিং অসিবু পুমশং শংহনবা ঙল্লবদি থবক লৈতদুনা ফুম্বংননা পোথারিবা লৌমী মীয়াম পোথাদনা থবক তৌরবদি অশংবা লৌবুক লমহাং কয়া মণিপুরদা লৈখিনি। মণিপুর মীয়ামগী চাবা কোন্ননবা লৌগী পোখোক অমদি ইখোলদা থাবা য়াবা এঙ্গাং নাপিগী পোখোক হেনগৎহন্নবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী পোলিসিনা ম্যেন ওইনা লৌবীদুনা থবক পায়খৎপীরবদি তেংথাদুনা লৈরিবা লৌবুক লৈমগী মতিক চাবা মচা পোকচবদা মমানা ৱারম্বদগী নুংঙাইজরকপদুগী নোকচবা ফংবা অদু ওইগনি, মদুখক্তা ওইহনবীয়ু হায়দুনা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা তোল্লবনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা হায়জরি।

*অদোমগী - পি ঐচ রেবতি শর্ম্মা*

## ময়োল থোকপা লাই

